হুইয়েন লানপাউ

ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থানলোন এ সীনা কোনবা খারোং অমদি ফাইতাংগী মরক্তা লম্বী নমথখিবা মফম নৌনা চীং কক্তুনা শেম্নবা থৌরাং তৌবগী শক্তম অমা

লামায় ১

রেভল্যুসনরি পিপলস ফ্রন্টকী লান্মী শঙলুপ পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) অমসুং মণিপুর নাগা পীপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ)কী কাদরশিং (মেলদা থারকপা)

বোসেমনা লৌবা চহীসিগী ক্লাস টেন এগজামদা মৈতৈময়েক সবজেক্টতা টোপ্পর ওইরকখ্রবা মহৈরোয় মাপন্দা লাইশ্রম ধনি লৈমা নীংশিং মনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎপা

লামায় ৩

তাঙ্খম অৱাং লৈকায় য়ুথ ক্লবকী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা টি ঐচ নবকুমার মেমোরিএল এৱার্দ দিষ্ট্রিব্যুসন থৌরমগী শক্তম অমা

লামায় ৩

Vol. 41, Issue No.099 | নিংথৌকাবা, ইঙেনগী ১০ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, July 03, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

তুরেল তোর্ব্বান মফম ৫দা কায়রে

লৈঙাক্কী তেংবাঙ পোৎলম মতম চানা য়ৌহন্দবগী মীয়াম ৱারৌনরে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা চুখিবা অকনবা নোংজুনা মরম ওইরদুনা ইম্ফাল তুরেল অমসুং কোংবা তুরেলগী মফম মঙাদা তোর্ব্বান কায়রকপদগী মীওই লীশিং কয়ামরুম অৱাবা মায়োক্লুরে। লৌ লিংবা লোইরবা অমসুং মপুং ফানা হৌরবা লৌ পড়ী লীশিং অমরোম হেন্না ঈশিংনা লাকহৎখ্রে।

তুরেলগী তোর্ব্বান কায়রিবা মফমশিং অদুদি থোংজু এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সী (এ সী)গী মনুং চন্না লৈবা কোংবা ইরোং (কোংমৈরোং), এ সী অসিগী মনুং চনবা কোংবা মোরিবা, লিলোং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকায়, থৌবাল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা থৌবাল লৈশাংথেম অমসুং ময়াং ইম্ফাল হৈবোং মখোঙদনি।

কোংবা ইরোং অমসুং কোংবা মোরিবা ময়াদা কোংবা তুরেলগী তোর্ব্বান কায়রিবদু হৌখিবা নোংঙাল্লমদাইদনি। লিলোং এ সী অমসুং ময়াং ইম্ফাল হৈবোং মখোঙদা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান কায়বদু হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুংদনি হায়রি।

তুরেলগী তোর্ব্বানশিং কায়দুনা ঈশিং চেনশিল্লকপা থিংনবা হোৎনবদা মণিপুর পুলিসনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। কোংবা মোরিবদা কোংবা তুরেলদগী চেনশিল্লকপা ঈশিং থিংনবগী থবক তৌবদা আই আর বি মহিলা বট্টালিয়নগী পার্সনেলশিং অমসুং অতৈ ষ্টেটকী ফোর্সকী পার্সনেল ৩০০ হেন্না শীজিন্নরি। ঙসি নুমিদাংৱাইরমদা তুরেলগী তোর্ব্বান কায়রিবা মফম অদু লাকশিনবা ঙম্লে হায়রি।

কোংবা ইরোংগী তোর্ব্বান কায়রিবা মফম অদু মেনশিন্নবা হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুংদগী থোংজু এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা ৱার্কস মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ মশামক য়াওনা হোৎনরি। ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী ও সী অসেম সমাচোরোন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পুলিস পার্সনেলশিং অমদি অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পার্সনেল কয়ামরুমসু অহিং তুমদনা তুরেলগী তোর্ব্বান কায়বা থিংনবা হোৎনরি। অয়াম্বা শরুক পন খাবা লোইশিল্লক্লবসু মপুং ফানা ঈশিং চেনশিল্লকপা থিংবদি ঙমদ্রি হায়না নুমিদাং অথেংবদা ফংবা পাউনা হায়রি।

কোংবা মোরিবা অমসুং বাসিখোং কোংবা ইরোংদগী চেনশিল্লকপা ঈশিংনা কাজিপাৎ লৌকোন পুংলং লংখ্রে। লৌকোন মচা অমসুং লৌমানবীগী লৌ পড়ী চা কয়ামরুমসু ঈশিং মনুংদা লৈখ্রে। বাসিখোং, খোংমন, উচেক্লোন মোরিবগী মফম কয়ামরুম ঈশিং থুমজিনখিবদগী মীওই কয়া লৈফম লৈত্রে।

লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকায়দা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান ফিট ২০০ রোম শাংনা কায়বদগী মফম অদুগী অকোয়বদা লৈবা মীওই লীশিং ১ রোম লৈফম লৈত্রে। খঙহৌদনা থোরকপা তুরেলগী তোর্ব্বান কায়বগী থৌদোক অদুনা যুম ১০ রোম চেন্থখ্রে, লৌ পড়ী লীশিং কয়ামরুম ঈশিং থুমজিনখ্রে। তুরেলগী তোর্ব্বান কায়খিবা মফম অদু মেনশিন্নবা মীওই কয়ানা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

বি জে পি লৈঙাক্কী নুমিৎ ১০০নিগী এচিভমেন্ট মীয়ামদা চমম্নহল্লে : কোংগ্রেস

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস) :

কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎলম্বা অমদি শেমগৎ শাগৎলম্বা কয়া বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক্লা শঙ্গারগা মখোয়গী নুমিৎ ১০০নিগী মনুংদা পায়খৎপা এচিভমেন্টনি হায়না ফোংদোক্লিবসিনা মীয়ামদা চমম্নবা পোকহল্লে হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী ৱাঙাওলোয়সু ওইরিবা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষণনা ফোংদোকখ্রে।

PRADESH CONG

বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি অয়ুক পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্লা হায়খি, বি জে পিনা লূচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক্লা নুমিৎ ১০০নিগী মনুংদা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক কয়া পায়খৎকনি হায়না লাউথোরকপদা কোংগ্রেসসু নুংঙাইবা পোকচৈ। ওপোজিসন্দা লৈজরবসু কন্সট্রক্টিব ওইবা মওংদা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরকপদি সপোর্ট তৌগনি। অদুবু মীয়ামগী য়াইফনবা নুমিৎ ১০০নিগী মনুংদা পায়খৎপা থবকশিংনি হায়না ফোঙখিবা বুকলেট অমদি লিফলেটশিংদা হাপ্লিবা ৱাফম কয়া অসি চমম্নবা পোকহল্লে।

অনৌবা লৈঙাক অসিগী নুমিৎ ১০০নিগী প্রোগ্রামদা পায়খৎখি হায়রিবা থবকশিং অসি কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা পায়খৎলম্বা থবকশিং অদু লোইশিনগনি নৎত্রগা কোংগ্রেস পার্টিনা শেমগৎ শাগৎলম্বশিং অদু শঙ্গাবগী প্রোগ্রামনি হায়বসি নৈনেনিংঙাই ওই। মরম অসিনা নুমিৎ ১০০নিগী প্রোগ্রাম অদু কোংগ্রেস লৈঙাক্লা তৌরম্বা অফবা থবকশিং অদু লোইশিনবনা অনৌবা লৈঙাক্কী পান্দমনি হায়না লাউথোকপীবা চুমগনি।

কোংগ্রেস পার্টিনা পায়খৎলম্বা থবক কয়া অনৌবা লৈঙাক্লা শঙ্গাদুনা নুমিৎ ১০০নিগী প্রোগ্রামদা হাপ্লগা লাউথোকপা কয়া য়াওরে হায়বসি মীয়াম্না শোয়দনা খঙনরমগনি। অনৌবা লৈঙাক অসিনা হেক লাকখিবগা বি জে পিগী মিদিয়া কোওর্দিনেটরনা সোসল মিদিয়াদা বি জে পি লাকপদগী লম্বী শেম্বা হৌরে হায়না ফোঙদোরকখি। লম্বী অদুসু খুয়াথোংদগী এসেমব্লি রোদ ফাওবগী লম্বীনি। তশেংবদি কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতম হায়বদি কুমজা ২০১৬তা ৱার্ক ওর্দর পীদুনা লম্বী অসি শেম্নবা খঙহনখি। লম্বী অসি শেম্বা হৌরম্লবা মতুং লোইশিলহৌদবা খরা অদু মীখল লোইরবা মতুংদা শেম্বা লোইখিবনি। কোংগ্রেসনা শোয়রম্বা লৈরগসু মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। অদুগা কোংগ্রেসনা তৌরম্বশিং অদুদি কোংগ্রেসনা তৌরম্বনি হায়না শেংনা হায়বিয়ু।

ইম্ফাল সিটিগী মফম কয়াদা ঙসি ঙসিমক ঈচাউ থোক্লিবসি কোংগ্রেসকী মতমদা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবা লৈখি। অসিগুম্বা কোংগ্রেসনা ঙম্লমদবা থবক অদু বি জে পি লৈঙাক অসিনা তৌগনি হায়না হায়বীয়ু। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা লাক্লম্বা মতমদা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা চহী ১৫দা তৌবা ঙম্লমদবা থবকশিং বি জে পিনা লৈঙাক লাক্লবদি থা ১৫দা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোক্লম্বসু লৈখ্রবনি। নেচরেল কেলামিটি লাকপা, নোং কা হেন্না চুখিবা, তোর্ব্বান কায়খিবগী ৱাফম নত্তনা হন্দক মরক নোং খিত্তং চুবগা ইতৎ তত্তনা ইম্ফালগী মরুওইবা মফম কয়াদা ঈশিং থুল্লি। মসি কোকহন্নবা থবক পায়খৎলে হায়রবদি মীয়াম্না তশেংনা হরাওনরমগনি। অনৌবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগা উনবদা নত্তনা মীয়ামগী অপাম পামদা লৌরগা থবক পায়খৎলি হায়রিবসি অফবা খোঙথাংনি।

মখা লামায় ৩ কলম ৪

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬১.৫৮
দীজল : লিটরদা লুপা ৫১.৮৭

জি এস টি চৎনরোই

ইম্ফাল, জুলাই ০২ : অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মণিপুর, মেঘলায়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিক্কিম, ত্রিপুরা নৎত্রগা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বাগদোগ্রাদা লৈবা এয়রপোর্টশিংদগী পাইগদবা অমসুং থুংলগদবা ফ্লাইটশিংদা জি এস টি লৌরোইদৌরি। দিব্রুগর, গুৱাহাটি, জোরহাট, লিলাবারি, সিলচর, টেজপুর, ইম্ফাল, শিল্লোং, আইজোল, দিমাপুর, অগরটালা অমসুং বাগদোগ্রা এয়রপোর্টতগী পাইরক্কদবা অমসুং হায়রিবা এয়রপোর্ট অসিদা থুংলুগদবা ফ্লাইটশিংদা জি এস টি চৎনরোই। জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ওইনসু জম্মু, শ্রীনগর অমদি লেহ এয়রপোর্টতা হায়রিবা থৌওং অসি চৎনগনি হায়রি।

HL POLL

Q : Manipurda houjik mafam kayada eeshing ichao thoklibasi natural disasterni haina louba yabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Turelgi eeshing hek chaokhatlakpaga totti eeshing pidabagi chatnabisi engineersingna thokhanbra?

Yes 82% No 18%

অস! লোইরেহে!

কোইদু মোদি মান্নবা ককউ...!



সার, অদুগী ৱাদি হান্নদগী মোদিনাত্ত মান্দুনা লৈরিবনি...!

য়াইফবা খুন্নাই পুরক্লবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি : লৈরিকলৈমা

Akom Lup, Kangleipak
Maliyampha Palcha Kumsing : 3415

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস) :

য়াইফবা খুন্নাই পুরক্লবগীদমক লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক্লা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি হায়না কংলামৈগী প্রসিদেন্ট লৈরিকলৈমেনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা পাঙথোকখিবা অকোম লুপ কংলৈপাক্কী ১৭ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়ারদুনা কংলামৈগী প্রসিদেন্ট ৱাই লৈরিকলৈমেনা হায়খি, লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোক কয়া লেপ্তুনা থোক্লি। মীহাৎ মীপুনগী থৌদোক কয়াসু তারি। ময়াই কাবা চীঙাক্কী চৈথেং কয়াসু থেংনরি। লমদম অসিদা ওইরক্লিবা ফিভম কয়া অসি য়েংলগা ঐখোয় পুম্নমক্লা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নদুনা য়াইফবা খুন্নাই পুরক্লবা লেপমিন্নসি। তুংগী মীরোলগী খল্লগা ঐখোয়না খুন্নাই অসিগীদমক হোৎনবা য়াবা হোৎনরম্বা চঙইহায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা অকোম লুপ কংলৈপাক্কী সেক্রেটরি জেনরেল তেলহৈবনা হায়খি, কুমজা ২০০১ গী জুন ১৮ গী মীয়ামগী ঈহৌ অদুদা মরৈবাক ইরমদম অসিগী ঙমখৈ কায়হনবা য়ারোই হায়দুনা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়া চোংথোরকখি। অদুগুম্বা লুপশিং অদুগী মনুংদা অকোম লুপ কংলৈপাক ২০০১ গী জুলাই ২ দা লুপ অসিগী লাইওইখ্রবা ঐখোয়গী ইরক্তা তিল্লম্বা অহল লমন কয়াগী মীৎয়েং মখাদা শাফোঙলকখি। লুপ অসি দিগনিফাইদ ইন্টিগ্রিটিদা মোটো ওইবা লুপ অমনি। লুপ অসিনা শাফোঙলকপদগী ঙসি ফাওবা শাংলবা চহী ১৭ অসিদা লমদম অসিদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকখি।

অকোম লুপ কংলৈপাক্কী ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা চিলদ্রেন হোমশিংদা ঙমজবা খুদোল পীদুনা লাক্লি। লমদম অসিগী পুক্কে লনগৈ কয়াবু শান্তিদাস অমদি পামহৈবা অনীনা কংলা উত্রা মমাংদা মৈ থাখিববু

...মখা লামায় ৩ কলম ২

লম্বী ফাওনহনবা, থক্লবা ঈশিং ফংহনবনা লৈঙাক্কী মরুওইবা মথংগী থৌরাংনি : সী এম

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস) :

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খ্রে মদুদি, অকক্লবা মতমগী মনুংদা মহাক্কী লৈঙাক্লা খ্বাইদগী মরুওইনা পায়খৎকদবা থৌরাংশিংগী মনুংদা লম্বী-থোং শেমগৎপা অমসুং মীয়ামদা থক্লবা টোটি ঈশিং ফংহনবনি।


Hon'ble Chief Minister, Manipur
ROTARY MULTISERVICE CENTRE, MANTRIPUKHRI, IMPHAL
PAUL P. H

মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা রোটরি মল্টি-সার্ভিস সেন্টরদা রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফালগী বোর্দ ওফ দিরেক্টর (২০১৭-১৮)গী ৪৫শুবা ইন্সটোলেসন সেরিমোনিদা ৱা ঙাঙখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, হন্দক্তা ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদ মথং-মথং থোক্লকখিবগী থৌওং অদু মীওইবনা মশাগীতা খনবদগী ওইরকপনি। মহৌশা ইমানা অশাওবা উখোরক্লে হায়না পল্লদুনা এন বিরেননা হায়খি, ঈশা-ঈশাদগী হৌরগা শেমদোক-শাদোকপগী থৌরাং লৌখৎতুনা অহোংবা কয়া পুরকপা মথৌ তারে।

ময়াই কাবা পোৎলম অমসুং য়ু শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলকপগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা দ্রগ অমদি অতৈ ময়াই কাবা পোৎলমশিংগী মায়োক্তা পাক শন্না দ্রাইব চথবা হোৎনরি। ঙসিগী মীরোল অসিবু ময়াই কাবা চীঙাক্তগী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

‘মরম চাদনা মী ফুবদা চেন্নবা মীওই পুলিসনা ফাবীয়ু য়াদ্রে’

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস) : মীগী মপোৎ-মরল হুরাল্লুবসু লৈতনা হুরানবনি হায়না মরাল শীজিল্লগা তমথিনা ফুবদা নত্তনা শম ককথৎলগা মীয়াম মাঙদা খোঙ্গৈইনবদা চেন্নবশিং পুলিসনা ফাবীয়ু য়াদ্রে হায়না থৌদোক অদুদা অৱাবা নংলুরবা মীওইগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা অৱাবা নংলবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অদুনা হায়খি, হৌখিবা জুন ২৭কী অয়ুক অঙনবদা খুন্দ্রাকপম কে সী হায় স্কুল মনাক্তা লৈরম্বা লৈকায়গী মীওই খরনা চহী নৌরিবা অঙাং অনী য়াওনা মীওই মঙা হুরাল্লি হায়বগী মরাল শীরদুনা তমথিনা ফুদুনা অমসুং মশম কক্তুনা খোঙ্গৈইবীখি।

মীয়াম্না খোঙ্গৈইনবীখিবা অমসুং ফুবদগী তমথিনা শোক্তুনা লায়কন্নরিবা মীওই মঙা অদুগী মনুংদা হাওতল থাংজম খুনৌদগী থোকচোম ওংবী এলিত (৩০), মহাক্কী মপুরোইবা টি ঐচ তোম্বী, হাওতলদগী লাইতোঞ্জম ওংবী চাওবা, মপুরোইবগী মিং

...মখা লামায় ৩ কলম ১

চীং নিঙ্খায়বদা লম্বী ফাওনবা য়াদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস) :

উখ্রুল অমদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফমদা চীং নিঙ্খায়বা অমদি লম্বী নমথখিবদগী মীয়াম চখোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুরে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং কন্না চুবদগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী নমথীলোককী মনাক্তা লৈবা মহাদেব অমদি লিতানগী মরক্তা চাউনা লেন্দস্লাইদ তৌবদগী লম্বী চৎপা য়াদ্রে। মসিদা নত্তনা শীং পুরকপা ত্রক অমসু মফম অদুদা গাড়ী চাকা নাম্মা পুখখিবগা লোয়ননা গাড়ীদুদা পুরকপা শীং ময়ামসু হৈদোক্তুনা লৈবদগী লম্বী চৎপা য়াদ্রে হায়রি।

লেন্দস্লাইদ তৌরিবা মফম অদুদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা স্কাভেটর অমনা লম্বী শেংদোকপগী থবকসু কন্না চথরি। অদুবু নুমিদাংৱাইরম ফাওবা লম্বী ফাওনবগী পাউদি ফংদ্রি।

মরকসিদা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থানলোন এ সীনা কোনবা খারোং অমদি ফাইতাংগী মরক্তা লৈবা চীংগী লম্বী অমদসু চীং নিঙ্খায়দুনা লম্বী নমথখিবদগী হৌজিক খোঙনা লানবা নত্তনা গাড়ী লানবা য়াদ্রে হায়রি।

লম্বী অদুগী লোক লোম থংবা নাকলদা লম্বীগী নাকলদা রিটেনিং ৱাল খাবদুসু চীং নিঙ্খায়বা অদুদা মখাদা চেন্থখ্রে হায়রি।

হৌজিক মফম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা স্কাভেটর থাজিন্দুনা নৌনা চীং কক্তুনা লম্বী শেম্নবগী থবক কন্না চথরি হায়রি।

লম্ফুই খুলদা চখিবা বোমগী এটেক ক্লেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০২ : উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লম্ফুই খুনগী রম্ভাদা লৈবা ২৭ শুবা এ আরগী চেক পোষ্টতা চহী অসিগী জুন ৩০ গী অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবদা লান্দাখিবা অদু পীপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) অমসুং মণিপুর নাগা পীপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ) কী অখন্নবা লান্মীশিংগী অপুনবা কাঙবু অমনা চখিবনি হায়না রেভোলুস্নরি পীপলস ফ্রন্টকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি বঙ্কিম অমদি এম এন পি এফকী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি থোমাই ন্যুমাইনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দা মণিপুরবু ইন্দিয়াগী লোয়লম ওইনা লৌশিনখিবদগী খুৎলায় মতিক চানা পায়বা ইন্দিয়ন লান্মীশিংনা ঙসি ফাওবা মণিপুরগী চীং অমসুং তম অনীমক্তা হিংচা য়াইতম্বগী লো কয়া থমজিন্দুনা মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনদুনা মীহাৎ মীপুন, মীওৎ মীনৈ কয়া চখদুনা লাক্লি। ময়াংশিংনা চখরকপা লাল্লোংগী শরুক অমা ওইনা খায়দোক্লগা লৈঙাকউ হায়বা কাঙলোন অসিসু চখদুনা মণিপুরদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপশিংদা শিংচেপ থাজিন্দুনা কাঙলুপ অমগা কাঙলুপ অমগা তিন্নবা য়াহন্দনবা লাঞ্জং চখদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা লাল্লোং অসি ফনা চখরক্লবসু লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ইচিন ইনাও ওইরিবা ঐখোয়না য়ুনাইটেদ ৱি ষ্টেন্দ, দিভাইদেদ ৱি ফোল হায়বা অসি খঙমিন্নদুনা মণিপুরদা লৈরিবা নাগা কাঙলুপকী মরক্তগী মণিপুর নাগা পীপলস ফ্রন্টনা মালেম অসিদা লৈরিবা নাগাশিং অমগা অমগা নাৎ, চৎনবীগী মরি লৈনরবসু লমখৈগী, শক্তমগী য়েৎশিন্নবা তৌদনা অকক্লবা নীংতম্বা লমখৈ অমা লৈজগদবনি হায়বা থাজবা অসিদা কুমজা ২০১৩ দগী আর পি এফ অমসুং মসিগী লান্মী শঙলুপ পি এল এগা পুন্না চৎমিন্নরকখি হায়রি।

হায়রিবা মতম অসিদগী মণিপুরদা লৈরিবা কাঙলুপশিংনা পুন্না নীংতম্বগী লম্হেংমিন্নবা হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা য়াওল ঈহৌ চংশিনমিন্নবগী লাল্লোং কয়া নৈনমিন্নদুনা, তান্নমিন্নদুনা লাকখি। মতম খরা অসিদা পি এল এ অমদি এম এন পি এফকী লান্মীশিং পুন্না নীংতম লানগী শরুক অমা ওইনা চখিবা লানফম খরদি, কুমজা ২০১৪ গী জান্যুৱারিদা আই সীদা লৈবা ২১ এ আরদা, চহী অসিমক্কী এপ্রিল থাদা ওপরেসন লিওপার্দকী মনুং চন্না চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তাইকোতাগতা ইন্দিয়ন লান্মীগী ১/১১ অমদি গোর্খা অমসুং ২৫ মাদ্রাজ রেজিমেন্টতা, চহী অসিমক্কী দিসেম্বরদা ওপরেসন জেক্কেলগী মনুং চন্না ভিয়াং খুন মনাক্তা এ আরদা, কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বরদা খুনমুলিয়নদা লৈবা এ আরদা, কুমজা ২০১৬ গী মেদা হেঙসিদা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

‘কুম ১গী চুফম থোকপা নোংজুগী চাং চাদা ৮০ চুরে’

ন্যুজ দেস্কতগী

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস) :

চহী ১গী মনুংদা মণিপুরদা চুফম থোকপা নোংজুগী চাং জুলাই থা হৌরকপা ফাওবদা চাদা ৮০ য়ৌরে হায়না ইন্তিগ্রেটেদ এগ্রোমেট এদভাইজরি সার্বিসতগী ফংবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

আই সী এ আর কমপ্লেক্সতা লৈবা এদভাইজরি সার্বিস অসিদগী ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না জন্যুৱারী থাদগী দিসেম্বর থা ফাওবদা চাংচত্তা মণিপুরদা মিলিমিটর ১,৪৩৩.১গী চাংদা নোং চুই। চৎলিবা চহী ২০১৭কী জন্যুৱারী থাদগীনা জুলাইগী থা মচিৎ অসি ফাওবগী মনুংদা চুখিবা নোংজুগী চাং অসি মিলিটর ১,২৪৩ য়ৌরে।

রিপোর্ট অসিনা হায়, জন্যুৱারী থাদা মিলিমিটর ১৩গী চাংদা নোং চুগদবদা কুমসি চহীগী ওইনা মিলিমিটর ৩.৭ চুখি। ফেব্রুৱারী থাদনা মিলিমিটর ৩৯.৬ চুগদবদা মিলিমিটর ১৯.৪ চুখি। মার্চ থাদা চাংচত্তা মিলিমিটর ৭৩.৪ চুগদবা মিলিমিটর ২৫০.৬ য়ৌনা নোং চুখি। এপ্রিল থাদসু মিলিটর ১২১ চুগদবা মিলিমিটর ২৭৩.৩গী চাংদা নোং চুখি। মে থাদা মিলিমিটর ১৭২ চুগদবদা মিলিমিটর ২৬৭.৬ য়ৌনা নোং চুখি।

হৌজিক হৌজিক মীয়াম্না ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লুরিবা জুন থাদনা মিলিমিটর ২৬০.১ চুগদবদা মিলিমিটর ৩১৯.৮ চুখি অমসুং জুলাই ২ ফাওবদনা মিলিমিটর ১০৮.৬কী চাংদা নোং চুখ্রে হায়না পল্লি।

কুমজা ২০১৬তা চুখিবা নোংজুগী চাংসু চুফম থোকপা নোংজুগী চাংদগী মিলিমিটর ৪০০ হেন্না চুখি। চহী অসিগী জুলাই থা খক্তদা মিলিটর ৪১৮.২ য়ৌনা নোং চুখি।

মণিপুরদা মার্চ থাদগী জুলাই ১ ফাওবদা মরিরক হন্না ঈচাউগা মান্নবা ফীভম অমা মায়োক্লুখি। অদুমকপু হায়রিবা থাশিং অসিদা চুখিবা নোংজু অসি কুমজা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

LOAN AVAILABLE

মথল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/1820/24-30

ঈ-পাঙ্গা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫